ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯱꯱, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯶꯸ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, সেপ্টেম্বর ১১, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৬৮ শুবা মশীং

ষ্টেটকী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট

লৈঙাক্কী থৌশিলনা লুনা তিন্নরম্বা ওজাশিং য়েক্লবা ওইহল্লে

ষ্টেটকী হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা কন্সটেবল নৎত্রগা অনেম্বা থাক্কী ওফিসরশিং লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈননা মফম অমদগী মফম অমদা থাংদোক-থাংজিন তৌবদা কনাসু করিসু হায়নদে। খঙন-চান্নবা থিনদুনা মফম চাদবদা ত্রান্সফর থাবা ককপগী চৎনবী পুলিসতা লৈরগসু এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতদি ত্রান্সফর তৌরগা খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনবা হায়বসিদগী হেনবা ফত্তবা থবক অমত্তা লৈতে। মীরোনবী নুপী অমনা চানিংই হায়দুনা পংচা-চাশিনবা খূদিংমক মহাক্কী পিবোক্লুংদা লৈরিবা তাইবঙপান ফাওদ্রিবা অঙাং অদুগী শরুক তমদুনা ফীভম চাহন্দবগুম্না এদ্যুকেসনগী থৌশিলদা থাক অমদা হেক্তা অশোয়বা মচা অমখক তৌবদা চ্যেন রিএক্সন অমা ওইনা থাক খূদিংমক্তা শোকহল্লকই। মরম অসিনা মণিপুরদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী থৌ পুরিবশিংনা অরানবা নৎত্রগা অশোয়বা থবক অমত্তা তৌবা য়াদে। এদ্যুকেসনদা পোলিটিক্স চঙবা, ঐগী-মীগী নাইনা থবক তৌবা অমসুং শেঞ্জা-থুমজা তৌরকপদগী মণিপুরদা শাংলবা চহী কয়া অমা অশোয়বনা থল্লবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম অমা ওইদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা সিষ্টেম অসি করম্বা মতমদা ফহনবা ঙমগনি অমসুং মতমগা চূনরবা এদ্যুকেসনগী মঙাল পীবিগদবা ওজাশিং চাকচঙনা মথৌদা পূক্নিং চঙনা থবক তৌহনবা ঙমগদগে হায়বসি মীয়ামগী ৱাহংনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা রাইট টু এদ্যুকেসন এক্টকী মখাদা ওজা পূম্নমক কুমজা ২০১৯ গী মার্চ ফাওবগী মনুংদা দিপ্লোমা ইন ইলিমেন্টরি এদ্যুকেসন পাস তৌদবা য়াদ্রে। ট্রেনিং পাস তৌদবশিংদি মখা তানা ওজা ওইবা য়াররোই হায়না লাউথোকখ্রে। ট্রেনিং অসিগী মথক্তা ওজা অমনা মহাক্না পাস তৌরকপা ক্লাস টুৱেল্বতা মার্ক চাদা ৫০ দগী তাবা য়ারোই। করিগুম্বা চাদা ৫০ ফংদনা ওজা ওইরকপশিং অমুক হন্না ক্লাস টুৱেল্ব থানবগী খুদোংচাবা পীরি। অসুম্না অহল ওইরবা ওজাশিংদা অৱা-চৈথেং কয়ামরুম পীরিঙৈগী চৈরক অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা মমাঙথক্তা চৎনররোই হায়দুনা লাউথোকখ্রবা মতমগা চূনদ্রবা থৌশিল কয়ামরুম অনৌবা লৈঙাক্লা চত্থরকপদগী স্কুল এদ্যুকেসনগী মখাদা ওজা ওইমিন্নদুনা নুংশি-চান্নমা লৈমিন্নরম্বশিং হৌজিক্তি য়েক্লবা ওইরক্লে। ফীভম অসি অনৌবা লৈঙাক্লা ওজাশিংদা পীবা খুদোল ওইরিগদ্রা হায়বসি ওজাশিংগী চাউরবা ৱাহং অমা ওইদুনা লৈরে।

চুম্মী কুমজা ২০১২ ফাওবগী মমাঙদদি মণিপুর স্কুল এদ্যুকেসন সিষ্টেম মতমগা চূনবা চপ চাবা রুল এন্দ রেগুল্যেসন এমেন্দ তৌখিদে। মরম অদুনা মতম-মতমগী অঙম্বশিংগা নক্লবা মেত্রিক্যুলেট ওজা, অন্দর-গ্রেজুয়েট নৎত্রগা গ্রেজুয়েট ওজাশিংনা এ আই, দি আই অমদি জেদ ঈ ও ইন-চার্জ ওইনা অয়াম্বনা থৌ পুনরম্মী। অদুবু কুমজা ২০১২ গী দিসেম্বর ৪ দা এদ্যুকেসন সার্ভিস রুল ২০১২ শেমদুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈগদবা তোঙান-তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেটিব পোষ্টশিং মেনশিন্নবগীদমক এম পি এস সীগী খুত্থাংদা কম্পিটিটিব এগজাম পাঙথোক্লবা শিন্নখি। এম পি এস সীনা পাঙথোকখিবা মণিপুর এদ্যুকেসন সার্ভিস গ্রেদ টু অমসুং থ্রীগী কম্পিটিটিব এগজামিনেসনদা গ্রেদ টুদা মীওই ১৮, গ্রেদ থ্রীদা মীওই ৫৯ অদুগা এ আইগী পোষ্ট ৮ পুন্না কেন্দিদেট ৮৫ মেরিট লিষ্টতা য়ুম্ফম ওইদুনা খনগৎপগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্তা রেকম্মেন্দ তৌরকখি। এম পি এস সীগী রেকম্মেন্দেসন মতুং ইন্না লৈঙাক্লা মমাঙ চহী কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বর ৩১ দা ওর্দর অমা থোক্তুনা নৌনা খল্লবা এম ঈ এস গ্রেদ টু অমসুং গ্রেদ থ্রী ওফিসরশিং লোয়ননা এসিষ্টেন্ট ইন্সপেক্টর ওফ স্কুলশিং অদু তোঙান-তোঙানবা জোনেল এদ্যুকেসন ওফিস ১৭ অমসুং দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর ওফ স্কুলগী ওফিস ৭ তা পোষ্টিং পীখি। চহীদুমক্কী দিসেম্বর ৩১ গী ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না মমাঙদা জেদ ঈ ও অমদি দি আই ওইনা থৌ পুরম্বা ওফিসর ইন-চার্জ/লূক অফটর/দি আই ওইনা লৈরম্বশিং অদু মশা-মশাগী স্কুলশিংদা অমদি হান্নগী মফমদুদা হনখিনবা খঙহল্লি। অসুম্না ওজাশিং অদুনা লৈঙাক্কী য়াথং মতুং ইন্না মখোয়-মখোয়গী স্কুলদা হন্দুনা অঙাংশিং লাইরিক-লাইশু তাকপীবা হৌরবা তুংদা মমাঙ থাগী ১৪ দা মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (এস) না অনৌবা ওর্দর অমা থোক্তুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৩১ দা থোকখিবা গভর্ণমেন্টকী ওর্দর নম্বর ১৭০ ওফ ২০১৬ কী পেরা নম্বর ৫ হায়বদি ইন-চার্জ/লূক অফটর/এ আই/দি আইশিং মশাগী সবষ্টেন্টিব পোষ্টতা হলহনখিবগী ওর্দর অদু পব্লিক ইন্টরেষ্টতা রেভিয়ু তৌরে হায়রকখি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি এদ্যুকেসনদা ষ্ট্রিম লাইন তৌননবা হোৎনরিঙৈগী চৈরকসিদা অমুক হন্না চরক-চহিংনবা মওংদা হান্নগী ইন-চার্জ/লূক অফটর/এ আই/দি আই হায়না নৌনা ওর্দর থোক্লকপসিনা মশাগী পোষ্টতা হল্লুরবা ওজাশিং হৌজিক অমুক এ আই, দি আই, জেদ ঈ ওগী পোষ্টতা হল্লক্লে। শম্না হায়রবদা গ্রেজুয়েসনগী থাক য়ৌদবা ইন-চার্জ ওইনা পুবা এ আই/দি আইশিং অদুদা মতীক চারবা মণিপুর এদ্যুকেসন সার্ভিসতা চঙলকপশিং অদুগগী মরক্তা অচৌবা চরক-চহিং নাইবা অমা থোরক্লে। ফীভম অসি কুপথনা য়েংশিন্দ্রগদি অনৌবা লৈঙাক অসিগী ফজরবা মমি মাঙখিবা য়াই হায়জনিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

লৈবাক মচা তাদবা

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ঐখোয়গী মণিপুর হায়বা লৈবাক অসিদা লৈবাক মচা তাবা মীওই কয়া ইচোঙ চোঙথোকপীরকপা ৱাৎপগী মতৌগুম উরি। ৱায়েলশঙগী ৱায়েলসু লৈতে, মীয়াম্না মখোয় মখোয়গী য়ূমলোন কৈরোন্নবা কয়াগী য়াইফনবা খন্নবসু ৱাৎপগুম্বগী মতৌ লৈরি। মীওই কয়ানা মীয়ামগী অমসুং মাগী মাগী য়েংদুনা মীয়ামদা শোক্কদবা অমদি মীঙোন্দা শোক্কদবা, কায়গদবা কয়া খঙনা চৎপা খরা ৱাৎপদৌনা তৌরি। খুদম ওইনা ওটো রিক্সো তোংবদা মাগী থোঙ্গাল অদুদা খাল্লবসু মীয়ামগী অথু-অকায় য়াওরমগদবা, অনা-অয়েক য়াওরমগদবা য়াই খন্দনা গাড়ীগী অতোংমল পীবদা ফুরিৎখাওদগী বেগ অদু অমুক শৎলি (লেপ্পগা), অচোইবা অমুক থি, য়াওরগা শৎ পীরকই, য়াওদ্রগনা চাম্মা চৎপীদু পীরকই মদুগী হন্দোক হঞ্জিনগদা মতম কয়া অমা লৌরিবদু থোঙ্গাল কয়া কয়াদা তৌনরবদি মতম কয়া মাঙহনগনি নৎত্রগা অথু-অকায়, অনা-অয়েক য়াওরম্বা থোল্লবদি কয়াম্না ৱানরমগনি হায়বসি খন্নদে। বস তোংবদসু অদু মঙাই, মেজিক তোংবদসু অদু মঙাই মানা কুমগদবা অদু য়ৌরমদাইদা মানা পীগদবা গাড়ীগী অতোংমল অদু হান্না লৌথোক্তুনা তোঙান্নবু হাপকেরা নৎত্রগা খূৎনবু পায়গেরা তৌরগা শৎ-শৎ পীনরবদি পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি খল্লি। অসুম্না তৌরবদি মীওই কয়াদা দিষ্টর্ব তৌবদগী শোয়দনা কনগনি। লম্বী চৎপদা চেখাওদা হাপ্পা অচাপোৎ পেকেট কয়া চানবা য়াওনরি। অদুবু দসবিন লৈতবা মফম ওইরবদি ফুরিৎখাওদরা করিনো হাপ্লগা নৎত্রগা পায়শিল্লগা দসবিন নৎত্রগা ফত্ত-হৌদি লংথোকফমদা লংথোক্লরবদি কয়াদা ফগদবা। মদুগী মহুৎতা সরক্তা হেক্তা লংথোকই। অমেরিকাদগা ওইরল্লবদি শোয়দনা ফাইন থিহনগদবনি। চুরুট থল্লবসু লম্বীদা মৈ চাক্লা চাক্লা হেক্তা লংথোকই। মৈ চাক্লিবা চুরুটতুদগী থোল্লকপা মৈখুদুনা এজমা থুংবা মীওই কয়াদা শাওনিংবা পোকহল্লি। মদুদা নত্তনা চুরুট থক্তবা কয়াদসু শাওনিংবা পোকহল্লি। চুরুট য়াওদ্রবা পেকেট অদুসু সরক্তা হেক্তা লংথোকই। মদুগী মহুৎতা চুরুট য়াওদ্রবা পেকেট অদু ফুরিৎখাওদা হাপ্লগা দসবিন লৈবা মফমদা নৎত্রগা অমোৎ অকাই লৈবা মফমদা থাদবনা অফবা ওইগনি খল্লি। বজারগী মচি ময়াদা, দুকানগী ভেরেন্দা মখাগী নালা কয়াদা চা থকপগী দিসপোসিবল গ্লাস কয়া তাদুনা লৈবতা নত্তনা সরক্কী মতাই মতাইদসু অদুম চাইখায়দুনা লৈরি। চেদা তল চাবা, চেদা হাপ্লগা কাংহৌনচিংবা চাবা লোইরগা চেজেৎ অদুসু সরক্তা হেক্তা লংথোকই। ফুট পাথকী চিনখ্রবা মফম অদুদা লেপশিল্লগা ৱারী শাদুনা, নোক-খেদুনা লৈথোকপা মীওই কয়াসু য়াওরি। মসিনা মী চিনবগী চাং অমুক্তা হেন্না হেনগৎহল্লি। পূম্নমকশিং অসি লৈবাক মচা তাবা ৱাৎপনি হায়জনীংই।

ঙসি ঙসিমকসু খুন্নাই অসিদা খ্বাই বজারদা নত্তনা মফম কয়াদা, হীরম কয়াদা লৈবাক মচা তাদবা মীওই তশেংনমক মণিপুরদা ৱাৎপনা লৈবাক্কী চাওখৎ খোংথাংদা খুরৌ থাংদবা নত্তে। পূম্নমক অসিগী মরুদি মহৈরোয় ওইরিঙৈদগী হৌনা ওজানা, মমা-মপানা নৎত্রগা অহল-লমন্না পাউতাক পীবা ৱাৎপদগীনি খল্লি। লৈবাক মচা তাবগী মতৌ লৈত্রিবমখৈ মণিপুর স্মার্ট সিটি অমা ওইগনি হায়বগী ৱাংমদা শোয়দনা লাকপা য়াই হায়বসি খঙজিনবা তঙাইফদে হায়জনীংই।

অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা

লৌমীশিংগী কাখল

ফৌ পান্বীগী মহি চুপ্পী তীলশিং ঃ হোপ্পর্স

ডা: এম থোইথোই সিংহ

হৌখিবা চহীশিংদা হোপ্পর্সশিং (ফৌগী ৱাহিক তীল হায়নসু খঙনবা) তোয়না তায়। অদুমকপু হায়রিবা হোপ্পরশিং অসি তাদনবা য়াম্না চেকশিন্নিংঙাইদি ওই।

ফৌনা অমসুং ফৌখোক মহি চুপ্পী তীলকুপশিং ঃ হোপ্পর্স

ফৌনা অমসুং ফৌখোক মহি চুপ্পী তীলশিং হায়বদি লিফ হোপ্পর অমসুং প্লান্ট হোপ্পর হায়না খঙনবা তীলকুপশিংনা শাহৌ ফনা হৌগৎলক্লিবা ফৌ পান্বীগী মহি চুপথোকখিবনা মরম ওইদুনা ফৌনাগী মতোন থংবা শরুক্তগী ঙাংশিল্লকই অমসুং কংশিল্লকই। তীল মখলশিং অসিনা মহি চুপথোক্লবা ফৌ পান্বীশিংনা চাওজন থীনা লৈ।

ৱাইকুপ মানবা তীলকুপ (হ্বাইট বেক প্লান্ট হোপ্পর) ঃ *Sagatella furcifera*

লায়ওং ঃ অরিবা মনাশিং ঙাংশিল্লকই, অমুবা উৎ মকুপকুম্বা ময়াম ফৌনাদা পক্তুনা লৈবা থেংনগনি। কংফম থোক্তবা চাংদা কংশিল্লক্কনি। পান্বীশিং চাওদম থিন্না লৈগনি। ঙল্লিঙৈদা তীলসি তারগদি ফৌ মচা পোকপা হন্থে, অথেংবা মতমদা তারগনা ফৌ চারোং মশীং হন্থে, পোথোক হন্থহল্লি।

তীলশিংগী মপুন্সি ঃ ফৌ পান্বীনা নৌরিঙৈ মতমদগী তাবা হৌই। মশীং য়াম্না থুনা হেনগৎহনবা ঙম্বা তীলসি ঈশিং ঈনিল ৱাংবা মফমদা তাগল্লি। লৌফমদা ঈশিং লৈরগা তীলসি হেন্না তাই।

ফৌনাগী মকাদা মরুম চবুন ওইনা কোকই, নুমিৎ ৪-৫ নিদা মচা ওল্লি। ফৌনাদা লৈরিবা মচাশিং নুমিৎ ৮-১১ ফাওবদা মপি ওল্লি। নুমিৎ ১২-১৮ ফাওবদা মপুন্সি মপূং ফাই। মশাশিং মচু তাইনা লৈ, য়েংবদা মশাগী অমুবা মশিংশিংতমক উই। মশাগী ময়ায় থংবা শরুক্তা অমুবা বিন্দু মচা মচাশিং লৈ। মপূম ওইনা য়েংবদা চরু মচু মাল্লি, শিংচেপকুম মনীং তুম্মী, মনমগন ঙৌই। হ্বাইট বেক প্লান্ট হোপ্পর হায়না খঙনৈ। ভাইরস লায়না শন্দোকপগী রেকোর্দ লৈতে।

ব্রাউন প্লান্ট হোপ্পর ঃ *Nilaparvata lugens*

লায়ওং ঃ ফৈদোমগী মচি মচিদা য়াঙ্কোকমুক পাক্লা ফৌনা ঙাংনা নেমশিন্না লৈবা (হোপ্পর বর্ন) থেংনগনি। ফৌখোক্তা তীলকুপশিং নপ্পা থেংনগনি। তীলকুপশিংনা থাদোরকপা ফত্তবশিংদা অমুবা কোকফাইশিং হৌগনি। নুমিৎ ৩০-৪০ শুরবা ফৌ পান্বীশিংদা তীলসি তাগল্লি।

মপুন্সি ঃ ঙৌরুনবা মরুমশিং ফৌনাগী মকাদা অমসুং মনাগী ময়ায় থংবা মশিংদা চবুন চবুন ওইনা কোকই, চবুন অমদা ২-১১ ফাওবা য়াওই। চবুন ১২৪ কোকই। মতোন মতোন শমজিন্ননা লৈ। নুমিৎ ৮-৯ শুবগা মচা ওল্লি। নুমিৎ ১২-১৩ শুরকপদা মপী ওল্লি। করিগুম্বদা হেন্না থেংথবসু য়াওই।

তীলসিনা গ্রাসি ষ্টন্ট হায়না খঙনবা লায়নাদুগী ভাইরসসু শন্দোকপা ঙম্মী।

অশংবা তীলকুপ - গ্রীন লিফ হোপ্পর ঃ *Nephotettix sp.*

লায়ওং ঃ তীলসিগী মচা অমসুং মপীশিংনা ফৌনাশিংদগী মহি চুপথোকপদগী ফৌনাশিং নাপু চঙনা লৈ। মমৈদা কোনা মচু চঙলকই। শংবান্নবা তীলসিগী মশাদা অমুবা মফমশিং লৈ। মিলিমিটর ৩.২-৫.৩ ফাওবা শাংই।

মপুন্সি ঃ মকাগী মনুং থংবা শরুক্তা চবুন ওইনা মরুম কোকই। মরুম চবুন অমদা মরুম ৩-১৪ ফাওবা য়াওই। মরুমশিং নুমিৎ ৬ নিদা মচা ওল্লি। নুমিৎ ১২-২৯ ফাওবদা মপূং ফাই মপী ওল্লি। কালেনথাদা মপী অমনা নুমিৎ ৭-২২ ফাওবা হিংই।

ফৌগী ভাইরস লায়নাশিং শন্দোকপদা চাওনা মতেং পাঙই।

মশা থেক্কোই-নাকোই লাংবী - জীগ-জাগ লীফ হোপ্পর ঃ *Recilia dorsalis*

লায়ওং ঃ তীলসিনা ফৌনাগী মহিশিং চুপথোকপনা ফৌনাশিংগী মপান্দগী কোমলা মচু চঙবা হৌরকই। মতোন্থংবা মনা কংশিল্লকই। নৌরিবা মনাশিংদসু চপ মান্নবা লায়ওং উৎলি। করিগুম্বদা বেক্টোরিয়ানা থোকহনবা ফৌনা ঙাংবী লায়নাসু মালহল্লি।

মপুন্সি ঃ মকাগী মনুং থংবা শরুক্তা মরুমশিং পরেং ওইনা কোকই। নুমিৎ ৬ নিদা মচা ওল্লি। মরুমদগী মপীগী থাক য়ৌবদা নুমিৎ ১৮০ চঙই। নিংথমথাগী মতমদদি মরুম ওইনা লেনবা ঙম্মী।

ভাইরস লায়না শন্দোকপা ঙম্মী। তোঙান তোঙানবা মমিংদা লৈবা হোপ্পরশিংনা লায়ওং মান্ননা ফৌ পান্বীদা মাঙহনবগী মওং অমসুং তীলশিংগী মওং মতৌ ইখেন খেন্নদবা মরম্না তীলনাশিং অসিবু লাকশিনবগী থৌরমশিংসু মান্নে।

তীলনা অসি হেনগৎলকপগী মরম ঃ মণিপুরদা তীল মখলশিং অসিনা অকনবা চৈথেং পীরমদে অদুবু তেল্লবা চহী খরা অসিদদি তীলনা অসি তোয়না থেংনরি। পান্বী কুংনা থাবা, লৌফমগী নাক য়েৎতা লৈরিবা নাপীশিং মরাং কায়বা, হীদাক কাপ্পদা তীলশিংনা লৈরিবা মরুম য়ৌদবা (মথক থংবা ফৌনাদং চোৎনবা কাপ্পা), কাপ্লিবা হীদাক্তা অশোয়বা লৈবা খুদম ওইনা সিন্থেটিক পাইরেথ্রোইদশিং কাপ্পনা তীলশিংগী (হোপ্পর্স) মশীং হেনগৎহনবদা মতেং পাঙই হায়বসি খন্থহৌদনা কাপ্পিং কাপ্পিংবা তীল হীদাকশিং কাপ্পসিনসু তীলনা অসি হেনগৎলক্লবা অচৌবা মরম অমা ওইরি।

ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং ঃ ১) লৌ খাওদোকখ্রবা মতুংদা কালেন্থা নংনবা লৈচং লৈনা খোইদোক্তুনা নুংশা চাহনবা ফৈ। মসিনা তীলনা মখলসিদা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা লায়না তীলনা কয়া অমসু তাবগী চাং হন্থহল্লি। ২) মনাক নক্লা নাপী শোংহন্দবা, লৈরম্বা নাপী, মোংশোং ককথৎ-হাইদৎতুনা তরু তনান থম্বনা তীলশিংগী শাইদাংফম লৈহন্দে। ৩) কুংনা থাবা লৌফম খুদম ওইনা পামফেলগুম্বা লৌফমদদি তীলনাসি খরা হেন্না তাগল্লি। মরম অদুনা অকুং অরন নিয়ম চুম্না শেম্বীগনি। ৪) তীলনা অসি তারবা লৌফমদা Imidachloprid 17.8% মিলিলিটর ৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিনবীরগা কাপথোক্কনি। মচি মচিখক তাবা ওইরগদি তাদবা মফমদগী হৌরগা মফমদুমক্কী মতাইশিং কাপ্পগা মনুং চঙশিল্লক্কনি অমসুং ময়ায়দা লোইশিনগনি। মচিন অনী লোংবা স্প্রেয়র শীজিন্নদুনা ফৌনা মরক্তা থিংজিন্দুনা ফৌখোক চোৎনবা কাপকনি। ঈশিং থাদোকখ্রবা মতুংদা কাপ্পনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। ফৌ খাওগদবা কুইদ্রবা থাখায়দগী থা অমমুক্তা ঙাইরবা লৌফম ওইরগদি Chlothianidine (Dantotsu) ওইনা শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা গ্রাম ৬ ক্কী পেকেট অমা লিটর ১৫ চনবা স্প্রেয়র তরুক কাপথোক্কনি।

ময়োন চিকপী, মনা কোনশিনবী, মরেক্লচিংবা তীল কয়াসু তারিবা লৌফম ওইরগদি Virtako কিলোগ্রাম অমগা মখায় শঙম অমা চাউবা লৌফমদা চাইশিল্লবদি ৱাহিকসু ফবা ঙম্মী।

থৌদাং য়ামিন্নদুনা অফবা মরূ পুথোক্লসি, শেন্দাল লম্বী শেম্লসি, মীয়ামগী থৌগল ফংলসি

এস সুমঙ্গোল সিংহ

ফৌদি পুথোকপগী লৌফম অমা (থৌবাল)

ককচীংগী ফৌদি পুথোকপগী লৌফম অমা

মরূ হায়বসি য়াম্না মরুওই হায়দুনা মরূ কৌরিব্রা হায়বা ফাওবা য়ারে হায়নরিবনি। লৌউ পোথোকশিং পুথোকপগী চাং হেনগৎহনবদা মরূনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। লোয়ননা মরূ হায়বসিনা লৌউ কাঙলোন খুদিংমকপু মাঙদা পুদুনা চৎলিবা গাড়ী অমনি। গাড়ী অসিনা লেপখিবদা হায়বদি মরূনা লৈত্রবদা লৌউবা লেপখিগদৌরিবনি। মরম অদুনা মরূবু মশা ফহল্লবা/গাড়ীদুবু ফীভম ফনা থল্লবা, মদুবু থৌরিবা হায়বদি লৌউ শিংউ তৌরিবশিংনা নীংথিনা হৈ শিংনা লৌ উরবা অমসুং গাড়ীদুনা থৌগদৌরিবা লম্বীদুনা/লৌ উবদা চঙবা পোৎলমশিং অদুনা মতম চানা, খরা হোংনা ফহনবা/ফংহনবা ঙম্লবতদা লৌউ শিংউনা মাংলোমদা য়াঙনা চেনবা ঙমগদৌরিবনি। মসিদা পূম্নমক্কী থৌদাং চাউনা লৈ। গাড়ী নিংথিনা শেম্বী শাবিবনা লৌউ বৈজ্ঞানিকশিংগী থৌদাংনি অদুগা লম্বী ফহনবনা লৈঙাক্কী থৌদাংনি। মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক্তি মরূগী মরুওইববু খঙবিদুনা লৌউ লোইশঙগী খুত্থাংদা থৌদাং য়ামিন্নদুনা অফবা মরূ পুথোকপগী খুদোংচানবা সীদ সার্টিফিকেসন সেল অমদি থম্বীরে। মসিগী মখাদা অফবা মরূ পুথোকপগী থবক খরদি সী এ য়ু, আই সী এ আর, লৌউ লোইশঙ, কে ভি কেশিংগা অমদি থৱায় য়াওবা লৌ উরিবা ইচিন ইনাওশিংগা পূন্না চৎমিন্নদুনা অফবা মরূ পুথোকপা হৌরে।

মরূ করিনো? লৌউ শিংউগী লোন্দা থাননবা শীজিন্নরিবা পূম্নমকপু মরূ কৌই। খুদম ওইনা ফৌদি হায়রগা ইপা ইপুশিংনা থননবা ফৌবু খঙনরম্মী, ইচম চম্না ফৌ কৌরমদে, কোক্তা চাননবা থল্লিবা অদুবুনা ইচম চম্না ফৌ হায়রগা খঙনরম্মী। মসিগী ৱাহন্থোক য়াম্না লৈ। অসুম্না চুগী মমিৎ য়াওবা মতাংশিংবু, আলুশিংবু, পান্নাওশিংবু, শিং, য়াইঙংগী মনাওশিংবুসু থাননবা শীজিন্নবা মতমদা মরূ হায়না খঙনগনি। লৌউ শিংউগী লোন্দা, কোক্তা চাননবা থল্লিবা ফৌ অদুবুনা (গ্রেন) হায়না খঙনৈ।

অফবা মরূ কদায়বু কৌবগে? তোঙানবা চেনফম থোকপা মগুণ খরা চেনবা মরূশিংবু অফবা মরূ কৌননবা মচাক ওইহল্লি। মগুণশিং অদুদি :-১) পারি পুরি শেংবা (জিনেটিক প্যুরিটি)- থাগদৌরিবা মরূ অদু ধারা শেংবা ওইবা তাই। খুদম ওইনা সনাফৌ থারগা সনাফৌ হৌরক্কদবনি, তম্ফা ওইনা থোরকপা য়াদে। জিনেটিক প্যুরিটি অসি ৯৮% ওইবা তাই। হায়বদি সনাফৌ পান্বী চামগী মনুংদা ৯৮ দি সনাফৌ ওইগদবনি। অনীনা অতোপ্পা ওইবা ফাওবদি য়াই। ২) ফিজিকেল প্যুরিটি - হায়বদি অমোৎ অকায় য়াওদবা হায়বনি। উফুল, নূংকুপ, চৈতেক-চৈরাং, ফৌহাম, অতোপ্পা পান্বীগী মরূ, চরু-চনায়গী মতেক্লচিংবা অমদি অতোপ্পা পোৎলমশিং য়াওবা য়াদে। ৩) মরূনা হিংবগী মগুণশিং : (ফিসিওলোজিকেল প্যুরিটি)

ক) ঈনিলগী চাং - ১৩%। মসিদি য়াম্না কংনা ফৌরগা অদুমক য়ারে। চাং য়েংগে হায়রগদি ফৌ খরা লৌরগা খুনিংনা লৈখাইবা মতমদা চেঙ মপূম ওইনা থোল্লক্লবা অদুগা চেঙ অদু য়ানা চিকপদা কক লাওবা মখোন থোল্লবদি য়ারে। খ) মতোন থোকপগী চাং - ৮৫%। গ) মপাঙ্গল - মশা ফনা হৌবা ঙম্বগী চাং অদুবুনি। ফৌহামদগীসু মতোন থোক্তুনা ফৌ পান্বী হৌবা ঙম্মী অদুবু কৈদৌনুংদা মশা ফবা পান্বী ওইবা ঙমলোই। ঘ) হিংবগী চাং - মরূশিং অদুগী মরক্তা কয়া য়াম্না হিংলিবগে হায়বদুনি। হিংলবদি মতোন শোয়দনা থোক্কনি।

৪) লায়না তীলনা-মরূ মশা শেংবা তাই, লায়না চেনবা মরূ য়াওদবা তাই, লোয়ননা তীলগী মরুম অমদি মচা য়াওদবা তাই।

অফবা মরূ পুথোকপগী লৌউ কাঙলোন-অফবা মরূ পুথোক্তুনা লৌমীশিংদা মরাং কায়না মতম চানা য়ৌহন্নবগীদমক মরূগী মখলশিং (ক্লাস) মথং-মনাও নাইনা পুথোকপগী কাঙলোন শেমদুনা লৈ। মরূগী মখলশিং অদুদি : (ক) ন্যুক্লিয়স সীদ (খ) ব্রীদর সীদ (গ) ফাউন্দেসন সীদ (ঘ) রেজিষ্টরদ সীদ - মসিমদি কান্থোক্লরে (ঙ) সর্টিফাইদ সীদ - মসিমদি অফবা অশেংবা মরূ হায়দুনা ময়ামদা ফংহল্লিবদুনি। হায়রিবা মরূ মখলশিং অসিবু য়োল্লিবা অদুগী মথক্তা থারিবা লেবেলগী মচুশিংদি (১) ব্রীদর সীদকীনা - সনা মচু হাইরপ চঙবা নাপুনি (২) ফাউন্দেসনগীনা - অঙৌবনি (৩) সার্টিফাইদকীনা - শাংলপ তৌই।

অফবা মরূগী কান্নবা -অফবা মরূনা থাবা মতমদা চাথোক অসি ১৫%-২০% ফাওবা হেনগৎহনবা ঙম্মী। হায়বদি কোক্তগী হেক্তা পেল্লগা থাবগা অফবা মরূনা থাবগা চপ মান্ননা হোৎনবদা ফংবা চাথোক অনীসি য়েংনবদা অফবা থাবনা ১৫%-২০% হেন্না থোকই হায়বনি। পরিদা ফৌবোত ১০০ থোল্লম্বা অদু ১২০ থোকই হায়বনি। অসুম্না মণিপুরগী লৌ পরি চাওরাক্লা লাক্ষ অমা মখায় খরা হেনবা অসি লোইনমক অফবা মরূনা শিন্দোকপা ঙল্লবদি ফৌগী চাথোক অসি লাক্ষ ৩০ গী মথক্তা হেনগৎপা ঙমগদৌরিবনি। অদুবু লাইবক থীবদি মণিপুরদা অফবা মরূনা কয়া য়াম্বা লৌফমদা থাবা ঙল্লবগে? করম্না ওইথোক্কনি?

সীদ রিপ্লেসমেন্ট-থানরিবা মরূশিং অফবা মরূনা শিন্দোকপবু সীদ রিপ্লেসমেন্ট কৌই। লৌফম অপূনবগী চাদা কয়া য়াম্না অফবা মরূনা শিন্দোকপা ঙল্লবগে হায়বগী চাং অদুবু নৎত্রগা চংগদবা অপূনবা মরূগী চাদা কয়া য়াম্না অফবা মরূনা শিন্দোকপা ঙল্লবগে হায়বরোমদা পারবসু, মদুবু সীদ রিপ্লেসমেন্ট রেট হায়না খঙনৈ। মণিপুরগী ওইনা হায়রিবা অসি কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বদু চপ চানা হায়বা ঙমদ্রবসু য়াম্না নেম্লি, চাদা ১০-১৫ দগী হেন্দে হায়বা য়াই। অতৈ ষ্টেট খরগী অমুক য়েংসি- অন্ধ্র প্রদেশ - ১০০%, টামিল নাদু - ৭০%, কর্ণাটাকা- ৪২%, আসাম- ৪৬%, পঞ্জাব - ৪%। মসি কুমজা ২০১০-১১ গী দেটানি। ফৌগীদমক অফবা মরূনা অহানবা থারবা মতুং চহী অহুম ফাওবদি মদুদগী লোকপা ফৌনা অদুমক অফবা মরূ ওইনা থাবা য়াই। মরিশুবা চহীদদি অনৌবা অফবা মরূনা অমুক শিন্দোকপগী পান্দমখক ফংবদা অদুমক য়ারবনি। মসি ঙসি ফাওবা মণিপুরদদি ফংবা ঙমদ্রি।

ফৌদি পুথোকপগী কাঙলোন :- ১) ঙসিদি ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিংদা চঙশিনমিন্নবগী ওইবা মওংদা অয়াম্বা চঙশিন্নরক্লি। মওং অসিদি সাইন্টিষ্টশিং, এক্সটেন্সন পার্সনেলশিং, মরূ পুথোক্কদৌরিবা মীওইশিং, সার্টিফিকেট পীগদৌরিবা মীওইশিং পূন্না চৎমিন্নবগী মওংনি। মওং অসিনা মায় পাকপগী চাংসু য়াম্না হেনবা থেংনরি। মসিদা মরূ পুথোক্লিবা মীওইশিংগা ওথোরিটিশিংগা য়ানচে খূৎয়েক পীনবগী মওং অমদি চঙই। মসিমদি মফমসিদা থমজররোই। থাজনবগী পোৎশক অমনি।

হৌজিক ফৌদি পুথোকপগী লৌউ কাঙলোন খরা য়েংসি -

ক) লৌফম খনবা : হান্নবা মান্নদবা ভেরাইটি থাখিবা মফমদা খরা হেনবা মিৎয়েং চঙদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎত্রবদি শোয়নিংঙাই ওইবা মরম্না মফমশিং অসিদা থারোইদবনি। অদুবু কনাগুম্বনা তঙাইফদনা থাদবা য়াদে হায়রবদি মফমদুদা হৌরকপা য়াবা হান্নগী ফৌশিং হৌদোকহল্লবা মতুংদা মখোয়বু হান্না মাঙহন্নবা হোৎনগনি। খ) আইশোলেসন : মরূ পুথোক্লবা ফৌ থাগদৌরিবা মফম অদু অতোপ্পা মান্নদবা ফৌশিংদগী লাপননা থাবা তাই। মরূ থাগদৌরিবা লৌফম অদু অতৈ ফৌ থাফমদগী মিটর ৩ মায়কৈ খুদিংমক্তা লাপ্নহনগনি। নৎত্রগনা থংনরিবা অদু য়ামদ্রবদা থা মখায় অমদগী তাদনা অমনা ঙনবা নৎত্রগা থেংনা শাৎপা ওইগদবনি। গ) লৌহোন হুনবা : ফৈদোম নাইনা শেল্লগা লম্তক্লা হুনবীগনি। ফৈদোমশিং মিটর অমদগী হেন্না পাকহনগনুসি। মসিনা লৌহোন শেন্নবা মতমদা খুদোং য়াম্না চাবা হেলহনগনি। ঘ) মরূদা হীদাক তোৎপা : ক্লোরোপাইরিফোস ২০% ঈ সী মিলিলিটর ৪ গা কার্বেন্দাজিম ৫০% গ্রাম ৪ গা পূন্না ফৌদি কিলো অমগীদমক চঙগনি। ফৌদি অদুনা তীলনা অমদি লায়না চেনবা মরূ ওইরল্লবদি য়াম্না কান্নবা ফংগনি। হীদাক তোৎপগী মওংদি তোঙান তোঙান লৈখ্রে। ক্লোরোপাইরিফোস চাং হেলহনবা য়াদে, খরা হন্থনা হাপ্পদি য়াই।

২) হার হাপ্পা : অতৈ ফৌ থাবগা মান্নে অদুবু পোটাস খরা হেন্না হাপ্পা ফৈ। মণিপুরগী ওইনা পরিদা য়ুরিয়া কিলো ১৬০-৭০; সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কিলো ২৫০-৬০; ম্যুরিএট ওফ পোটাস কিলো ৮০ চংগনি। অহুম্লক থোক্লা চাইসি (১) অরোইবা খোইবদা য়ুরিয়া তঙ্খায় অমা এস এস পি পূন্না, পোটাস তঙ্খাই অমা হায়রিবশিং অসি পূন্না চাইগনি। ২) মচা কন্না পোল্লকপা মতমদা লেমহৌবা য়ুরিয়াগী তঙ্খায় অমা অমুক অদুগা ৩) মশা তাশিনবা মতমদা লেমহৌবা য়ুরিয়াগা লেমহৌবা পোটাসকা পূন্না চাইগনি। ৪) হাবেংবা : নাপীগা ফৌগা য়েৎনরবদি চাথোক য়াম্না হন্থে হায়বসি ইখঙ খঙনরবা অমনি। মতম চানা নাপী হীদাক শীজিন্নসি। ৫) ফৌমাং খন্দোকপা : মসি য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমনি। মসি ফৌ মরূ শেংহনবদা তৌদবা য়াদ্রবা অমনি। লৌহোন ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা মান্নদবা খন্দোকপা হৌবা য়ারে। মতম পূম্নমক্তা কুপশেন শেন্নদুনা মওং অমদা মান্নদবা থেংনরবদি চিংনদনা হেক্তা লৌথোক্কনি। মসি ফৌ লোক্লমদাই ফাওবা চত্থবিগনি। মান্নদবা ফৌ পান্বীশিং ফুক্তোক্তুনা লৌথোকপীগনি, থাঙ্গোলনা খাওদোকপখক্লা কান্নরোই, উরিজাকনচিংবা পান্বীসু অদু মঙাই। ককথৎলবা পান্বীশিং অমুক শোয়দনা চোংখৎলক্কনি। ৬) লায়না তীলনা : মতম মতমদা তারকপা খুদিংমক ঙাকথোক্লবা অখং অহৈ মতম চানা তানবীগনি। ৭) লোকপা : মতম চানা লোকপা য়াম্না মরু ওই। চরোংদা পাল্লিবা মরূশিংগী ৯০% চরু মচু ওল্লবা মতমদা লোকপা য়ারে। কা হেন্না মুল্লগা লোকপগী মাঙজবা য়াম্না লৈ। মুন্দ্রি খল্লিবা শংলিবা মরূশিং মুনবা ঙাইরিঙৈদা চেরোংগী মতোন্দা পানবা মপূং ফারবা চঙ-চঙ লাওবা মরূশিং কেন্দুনা মাঙবনা হেনগনি। শংমুন্ননা খাওবা মতমদা খাওদোক্লবা পান্বীশিং অদুসু পাল্লিবা মরূশিং অদুসু হিংলিবনি। ফৌখোক্তা য়াওরম্বা ঈশিংগা লোয়ননা মচিঞ্জাক খুদিংমক মরূদা পীশিন্দুনা মরূদু মপূং ফাবা ঙম্মী। ৮) য়ৈবা : অনানবা, অতোপ্পা ফৌমাং পক্ত্রবা ফক্তা য়ৈবিগনি। ফৌদি হাইফমদা তাবা মরূদমক লৌবনা ফৈ। য়ৈরিঙৈ মতমদা অতোপ্পা মীওইশিংনা মতেং পাংবা লাক্লবসু মখোয়বু হান্না মখোয়গী ফি-রোল শেংনা কন্থোক শেংদোক্লগা য়াওবিনবা হায়বা তঙাইফদে। মখোয়গী মশাদা পল্লকপা অতোপ্পা ফৌ মরূশিংনা মরু শেংহন্দনবা মচাক ওইরকপা য়াই। মেছিন্না য়ৈবসু য়াদে। অতোপ্পা মফমদা য়ৈবদা য়াওরকপা মরূশিং শোয়দনা য়ানশিনখিগনি। ৱানা হোৎনরকপা খুদিংমক অরেম্বা তাগনি। ৯) মরূ শেংদোকপা, খনবা অমসুং পেক্কিং তৌবা : য়ৈরবা ফৌশিং শেংনা হুমদোক্তুনা চরু মতেক, ফৌহাম, অতৈ অমোৎ অকায় য়াওদনবা হোৎনসি। কংনা ফৌগনি। বোরাদা হান্দুনা মমিং মথা থাদুনা থমগনি। বোরাশিং য়ারিবমখৈ অহানবা শীজিন্নসি, অরিবা বোরা ওইরবদি হান্নগী ফৌ পক্তনবা হোৎনবিগনি।

অসুম্না লোক্লবা মরূশিংগী শেম্পল লৌদুনা ঈশিং মনিল, অমোৎ অকায়, চৈতেক-চৈরাং, ফৌহাম, অতোপ্পা মরূনচিংবা য়াওবগী চাংগা লোয়ননা মতোন থোকপগী চাং য়েংলবা মতুংদা সর্টিফাই তৌহনগনি।